থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মণিপুর ঠিএটর দে- সিগ্নিফিকেন্স লৈরিবরা?




ওক্টোবর ২১, মণিপুরগী ঠিএটরগী নুমীৎ (মণিপুর ঠিএটর দে) নি। মার্চ ২৭ ৱর্ল্ড ঠিএটর দে পাঙথোকপগুম, চহী খুদিংগী ওক্টোবর তারিখ ২১, ঠিএটর সেন্টর মণিপুর (টি সী এম) না মণিপুরগী ঠিএটর নুমীৎ হায়দুনা পালন থৌরম, ঙরাং (ওক্টোবর ২১, ২০১৬) হুম্ফু নিথোইশুবা চেপ্টর পাঙথোকখ্রে। মণিপুর ঠিএটর দে- নুমীৎ অসি 'অর্কিটেক্ট ওফ মোদর্ন মণিপুরী ঠিএটর' হায়না লমদমসিগী ঠিএটর তৌবশিংনা মিংথোল অমা লাম্হোক্লুবা, মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ফাউন্দর অমসু ওইরিবা লাই ওইখ্রবা সোরোকখাইবম ললিত সিংহগী লৈখিদবা নুমীৎ অদু নীংশিংদুনা পাঙথোকপনি।

৬২ শুবা মণিপুর ঠিএটর দে, ২০১৬- ইম্ফালগী মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী শঙলেন'দা অয়ুক্কী সেসন অমদি নুংথিলগী সেসন অনী থোক্না খায়দোক্তুনা পাঙথোকখি। 'অয়ুক্কী সেসন অদুদা ঠিএটরবু শিনফম অমা ওইনা পায়দুনা (প্রোফেসনেল ওইনা) চঙশিল্লিবা আর্টিষ্টশিংনা থেংনরিবা খুদোংথীবা/খুদোংচাদবশিং' হায়বা হীরম অসিদা খন্ন-নৈনবা (দিম্পোজিয়ম) অমা পাঙথোকখি।

লঞ্চ ব্রেক অমগী মতুংদা চংথখিবা অনীশুবা সেসন অদুনা 'মণিপুর ঠিএটর দে সেলেব্রেসন'গী মরুওইবা শরুক অদুনি। মণিপুরগী শক্লাইরবা এদ্যুকেসনিষ্ট, এম মনাওতোন'না অথোইবা মীথুং, ঠিএটর সেন্টরগী প্রসিদেন্ট ৱারেপ্পা নব'না থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুগী মরুওইবা শক্তমদি 'ঠিএটর সেন্টর এৱার্দ, হৌজিক্তি এৱার্দ মখল অহুম পীরে। হন্দক্কী এৱার্দ ৱিন্নরশিংদি- ললিত নীংশিং খুদোল- পুখ্রম্বম খোগেন্দ্র, 'পাঙম্বম মনাওবী নীংশিং খুদোল'- সোইবমচা ইন্দ্রকুমার অমদি 'কোস্মো এৱার্দ'- বিরেন্দ্রকুমার ৱাহেংবম (বি কে ৱাহেংবম) নি। শুমাং লীলাগী শক্লাইবা আর্টিষ্ট, বিরমঙ্গোল (বি এম) মেকোলাবু নীংশিংদুনা, হন্দক চহীদগী অহানবা ওইনা লৈখিদ্রবা কলাকার অসিগী মনাওনুপা 'মনাওতোন'না কৎপা বি এম মেমোরিএল লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ ২০১৬, অহানবা ওইনা ঠিএটর মিররগী অহল ওইশিল্লক্লবা দিরেক্টর ৱারেপ্পা নবদা লাম্হোকখি। মথং চহীদগীদি এৱার্দ অসি 'মণিপুর ঠিএটর দে' নুমীৎতা নত্তবা অতোপ্পা অখন্নবা নুমীৎ অমদা লাম্হোক্কনি হায়না লাউথোকখি। অরোয়বদা 'শেল থানবা' লীলা অদু উৎখি।


মণিপুরগী ঠিএটর- ইন্দিয়ন রিজনেল ঠিএটরগী থাক অদুদা লৈরিবা 'ফোক আর্ট ফোর্ম' অমা নৎত্রে হৌজিক। 'ইন্দিয়ন নেসনল ক্যারেক্টর' অমা পুরবা, ইন্টরনেসনল ঠিএটরগী মেপ'তা অচৌবা মফম কল্লবা আর্ট ফোর্ম অমনি- মণিপুরগী ঠিএটর! রতন থিয়াম অমদি হৈস্নাম কহ্নাইলাল'না ঠিএটরগী ৱাংলবা কৈরাক কাদুনা, ইন্টরনেসনল ঠিএটরগী তাইবংদা অরংবা থৱানমিচাক ওইখিবা, কৈরাক্তুগী মখোঙদি লাইরম্লেন্দা চৎখ্রবা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংদুনা শেল্লম্বা মমাঙঙৈগী মল্লবা কলাগী পোথোক ময়ামদুনি। জগোয়-ঈশৈ-কলানা মণিপুরবু মপান্দা শক্তাক্লবা শকয়েং মিংশেলনি হায়বসি চহী কয়াগী মমাঙদগী লৈঙাকপশিংনা হায়দুনা লাকই অদুগা কলাকারশিংবু মশা মরোমদোম শিজখিনবা থবক থৌওংসু চখদুনা লাকই। মণিপুরগী কলাকারশিং মণিপুরগী লৈঙাকপশিংনা খ্বাইদগী তাথীনা তৌবা, হন্থনা খনবা মীওই কাঙলুপ অদুনি। অদুগুম্বা কলাকারশিংদুগী মনুংদা খরগা হেন্না তাথীনা খনবা, হন্না ফাওবা য়েংনিংদবা কাঙলুপ অদুনা ঠিএটর হায়বা কলাসিগী কলাকারশিং অসিনি। থাগী তোলোপ (খুৎশুমল) শোয়দ্রগা লোইরে খল্লিবা, লৈঙাকসিগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসর অমদি মিনিষ্টর, হংসি মখোয়দা অমুক্তং- মণিপুরগী ঠিএটর চাউখৎহন্নবা, নৎত্রগসু মীগা মীমান্নহন্নবা করি থৌরাং লৈবগে? থৌরাং-থৌশিল অমা শেম্বদুগী ৱাদুদি তোকখ্রসি, 'মণিপুর ঠিএটর দে' হায়বা নুমীৎ অমা ঠিএটর সেন্টর, মণিপুর'না ৬২ রক পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়বসি লৈঙাকসিনা খঙবীবরা? ঠিএটর দেগী ৱাদুসু অমুক তোক্লসি, 'টি সী এম' হায়বা মণিপুরদা ঠিএটর পামজবা কয়ানা শেম্বা ওর্গনাইজেসনশিংগী এপেক্স বোদি অমা লৈ হায়বসিবু খঙবীরিবরা? লৈঙাক্কী ওথোরিটি'না খঙবা/খঙদবগী ৱাদুসু অমুক তুংওইনরগা, বোদিসিদা এফিলিয়েট তৌরিবা ঠিএটর-লূপশিংনা মখোয় টি সী এফিলিয়েট অমনি হায়বসিবু নীংশিংলিবরা? ৬২ শুবা ঠিএটর দে য়াওরুবা মীওই অমনা, ৱাহং অসি মথম্মোয়দা শোয়দনা হংজরমগনি। ঐসু হংলি।

মণিপুর ঠিএটর দে! ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা ইভেন্ট অমা ওইফম থোকপনি। দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর অমদি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী অনীনা নুমীৎ অসি নীংশিংদবা করিগীনো? বার্ত্তন তৌরক্তে হায়দৌরিবরা? মখোয়দা বার্ত্তন তৌগদবরা? মখোয়ন বার্ত্তন তৌগদবরা? অমুক্তং নাখে শেংদোক্লসি। ষ্টেট লিটরেরি এৱার্দ ইনষ্টিট্যুট তৌখিবগুম, 'ষ্টেট এৱার্দ ফোর ঠিএটর' লাম্হোকপা মতম নহান্না হেল্লবনি। অদুবু তৌরোই। পুম্নমক্লা খঙই। 'ঠিএটর তৌরিবা মীওইশিং থৌ লৈতনা থৌ থিবনি...' মণিপুরগী কলচর মিনিষ্টরগী ৱাখলনি। কুইরে, অদুগুম্বা মিনিষ্টর অমনা হায়খি... (মণিপুরগী মমিং চৎলবা দ্রামাটিষ্ট অমগী মিং পল্লগা) ঐদি মাগী মমিং মীয়াম্না কন্না শোন্নরকপদুদা কুপ্না থিগৎলুবনি, অদুদা মাদি দ্রামা'দা ফাওবা ওইস্লেদনা.... ঐ শাউনিংখি, মাগী খোম্হোক্তুদা। করেম্নবা মানবা অমা য়াওখিবদুদা।

অচুম্বসু মদুমক্নি। মখোয় কনানসু কলাকার অমত্তবু উশিত্তে, মথম্মোয়না ঈকায়খুম্নদে। অদুননি কলানা মরায় চায়থরক্লিবা, ঠিএটরনা শিথরক্লিবা।

লৌশিং পুক্কে

# কেন্সর খঙদোক্নবা পোর্টেবল লেবোরেটরি




অনা-লায়েংদা চাউনা খুদোংচাগদবা মওংদা পুথোক পুশিন য়াবা পোর্টেবল লেবোরেটরি অমা ৱাশিংটন ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা শেমগৎলে/স্মার্ট ফোনদা শীজিন্নগদবা লেবোরেটরি অসিনা মতম অমুক্তদা সেম্পল কয়া এনালাইজ তৌরগা কেন্সর লায়না খঙদোকপা ঙম্মী হায়রি।

অনা-লায়েংগা মরী লৈননা খুদক্তা ঈ টেষ্ট তৌরগা খুদক্তা রিজল্ট খঙবা হায়বসি মীওই খুদিংমক্কী অপাম্বনি। ৱাশিংটন ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ মেকানিকেল এন্দ মেটরিয়লস ইঞ্জিনিয়ারিংদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ওইবা লৈ-লি অমসুং মহাক্কী কাঙবু চেনেল ৮ য়াওবা স্মার্টফোন স্পেক্ট্রোমিটর অমা শেমগৎলম্মী। হায়রিবা স্মার্টফোন স্পেক্টোমিটর অদুনা লংস, প্রোষ্টেট, লিভর, ব্রেষ্ট অমসুং ইফিথেলিয়ল কেন্সরগী বাইওমার্কর ওইরিবা ইন্টরল্যুকিন-৬ (আই এল-৬) খঙদোকপা ঙম্মী।

স্পেক্ট্রোমিটর অসি লেবোরেটরি লৈজদবা ক্লিনিক অমদি হোস্পিটালশিং লোয়ননা খুঙ্গংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা প্রেক্টিস তৌরিবা ডোক্তরশিংদা চাউনা কান্নবা পীরগনি হায়না স্কুল ওফ মেকানিকেল এন্দ মেটরিয়লস ইঞ্জিনিয়ারিংগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার লৈ-লিনা ফোঙদোকখি।

অথাপ্পা মফমদা লেবোরেটরিগী পোৎলম পুম্নমক শুনা পুরগা লায়েংবা চৎপা হায়বসি ওইথোক্লরোইদবা ৱাফমনি। মরম অদুনা অনৌবা স্মার্ট ফোন স্পেক্টোমিটর অসি পেসেন্ট অমসুং ডোক্তর অনীমক্তা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি।

হান্নদগী হৌনা স্মার্ট ফোন স্পেক্টোমিটর কয়া লৈরে। অদুবু মদুনা মতম অমুক্তদা সেম্পল অমদগী হেন্না টেষ্ট তৌবা য়াদে। নৌনা পুথোরক্লিবা মল্টিচেনেল স্পেক্টোমিটর অসিদি ইলিশা কৌবা টেষ্ট মখল অমা শীজিন্নরগা মতম অমুক্তদা তোঙান তোঙানবা সেম্পল নিপান চাংয়েং তৌবা য়াই। পুথোক পুশিন য়াবা স্পেক্টোমিটর অসিনা কেন্সর লায়না খঙদোকপা অমসুং লায়েংবদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি হায়না 'বাইওসেন্সর এন্দ বাইওইলেক্ট্রোনিক্স' জর্নেলদা ফোঙলকপা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

চেনেল নিপান য়াওবা স্পেক্টোমিটর অসিদা তোঙান তোঙান্না সেম্পল নিপান মতম অমুক্তদা পুন্না টেষ্ট তৌবা য়াই। নৎত্রগনা সেম্পল অমদা তোঙান তোঙানবা টেষ্ট মখল নিপান মতম অমুক্তদা পুন্না তৌবা য়াই। সিষ্টেম অসি হৌজিকমক্কীদি আই ফোন-৫ খক্তদা শীজিন্নবা য়ারি। অদুবু স্মার্টফোন মখল খুদিংমক্তা শীজিন্নবা য়াহন্নবা থৌরাং তৌরি।

থিংবা ঙমদবা মওংদা হকচাংগী সেলশিং মশীং হেনগৎলক্তুনা অকোয়বগী টিস্যুশিংদা শন্দোকখিবগী থৌওংবু কেন্সর হায়না খঙনৈ। হকচাংগী মফম অমদগী হেক্তা কেন্সর হৌরকপা য়াই। অরিবা অমসুং অমাঙ অতা থোক্লবা সেলশিং শিখ্রবা মতুংদা অনৌবা কয়া শেমগৎলকই। শিফম থোকপা অরিবা সেলশিং অদুম্মক হিংদুনা লৈবগা লোয়ননা মথৌ তাদবা মওংদা অনৌবা সেলশিং শেমগৎলকপদগী ট্যুমর ওইরকই।

কেন্সর হায়বসি জেনেটিক দিজিজ অমনি। সেলশিংনা মথৌ তৌবগী মওং কন্ট্রোল তৌরিবা জিনদা অশোয়বা লৈবদগী লায়না অসি ওইরকপনি। করিগুম্বদা অকোয়বগী ফীভম্না দি এন এদা অমাঙ-অতা থোকহন্দুনা কেন্সর ওইহল্লকপসু য়াই। চুরুটকী মৈখুদা য়াওবা মেদিকেল অমসুং নুমীৎকী মঙালদা য়াওবা অল্ট্রাভাইয়লেট রেগুম্বা রেদিয়েসননসু কেন্সর ওইহল্লকই।

কেন্সরগী মখল ১০০ হেন্না লৈ। কেন্সর ওইরক্লিবা ওর্গান নৎত্রগা টিস্যু অদুগী মমিং লৌরগা কেন্সরগী মমিং থোক্লি। খুদম ওইনা লংসকী সেলশিংদগী হৌরকপা কেন্সরবু লংস কেন্সর কৌই। ব্রেনগী সেলশিংদগী হৌরক্লগনা ব্রেন কেন্সর কৌই।

কেন্সর ওইহল্লকপগী মতাংদা 'অমেরিকান জর্নেল ওফ প্রিভেন্টিভ মেদিসিন'দা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কেন্সর মখল অয়াম্বা য়ু থকপা অমদি মৈখু শীজিন্নবদগী ওইরকপনি। য়াম্না তোয়না থেংনবা কেন্সর মখলশিংগী মনুংদা ব্লাদর কেন্সরসু অমনি।

ব্লাদর কেন্সরগী মরুওইবা লায়ওংশিংদি চৈনাখোল ফাওবগা লোয়ননা তোয়না মপান থোকপা, চনিংদা নাবা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ পোমখৎপা, শরূদা নাবা, চানিং- থক্লিংবা ফাওদবা অমসুং হকচাংগী অরূম্বা হন্থবনি। ব্লাদর কেন্সর ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু মৈখু শীজিন্নবা, কেমিকেল মখল করদা এক্সপোজ তৌবা, অহল ওইশিল্লকপা অমসুং ফেট য়াওবা চীঞ্জাক কা হেন্না চাবনা লায়না অসি ওইহল্লকপগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরনি। অহল ওইশিল্লকপা হায়বসিদি কনানসু থিংবা ঙম্লরোইদবা থৌওংনি। অদুম ওইনমক মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপগা লোয়ননা পুন্সি মহিং শেমদোকপা হায়বসিদি মীপুম খুদিংমক্না ঙম্বা থবক্নি।

অমরোমদা, জপানিজ রিছার্চরশিংনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মদুদি লোক থুংবা ফহন্নবা শীজিন্নবা নন- ষ্টেরোইদেল এন্টি ইনফ্লেমেটরি দ্রগ (এন এস এ আই দি) মখল অমনা ব্লাদর কেন্সর নমথদুনা থম্বগা লোয়ননা হকচাংগী অতৈ অতোপ্পা মফমদা শন্দোকহন্দে। রিছার্চরশিংনা উচিদা চাংয়েং তৌবদা খঙলকপা ৱাফম অসি 'সাইন্টিফিক রিপোর্টস' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকপনি।

কেন্সরগী মতাংদদি মাঙজৌননা খঙদোক্লগা মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি। ৱাশিংটন ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ মেকানিকেল এন্দ মেটরিয়লস ইঞ্জিনিয়ারিংনা হন্দক পুথোরক্লিবা স্মার্ট ফোন স্পেক্টোমিটরগী মতেংনা কেন্সর লায়না লাকশি-নবদা মতেং ওইনরগনি।

# বি এস এফকী মার্টিয়র্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস):

দিআইজি, সী আই ওপস মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ৫৪-বট্টালিয়ন বি এস এফনা বি এস এফকী মার্টিয়রশিংবু ঈকায়খুম্নবা উৎতুনা মার্টিয়র্স দেগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

বি এস এফকী মার্টিয়র্স ওইখ্রবশিং অদুনা মহৈ-মশিন তম্লম্বা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা মার্টিয়র্সকী ইমুং-মনুং অমসুং স্কুলশিং অদুগী মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা থৌরম অদু শিল-লাংদুনা পাঙথোকখিবনি।

মার্টিয়র্সশিং অদুনা মহৈ-মশিন তম্লম্বা স্কুলশিং অদুদা ঈকায়খুম্নবা উৎতুনা মখোয়গী মমিংশিং য়াওবা প্লেকশিং য়ুংখি। মার্টিয়র্সশিং অদুগী নক্লবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংবু ঈকায়-খুম্নবা উৎতুনা তরাম্না ওকখি।

৫৪-বট্টালিয়ন বি এস এফনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রবা মার্টিয়র্সশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অদুদি লৈখিদ্রবা কন্সটেবল কোইচুং অথাং আইমোল, মহাক্কী লোয়নবী রিংনু, মোদেল হায় স্কুল, ককচীং, লৈখিদ্রবা লেন্স নাইক এম কে সিংহ, মহাক্কী লোয়নবী এম বিনারানি, ককচীং হায়র সেকেন্দরি, ককচীং, লৈখিদ্রবা টি ঐচ বিশ্বাজিৎ, মহাক্কী লোয়নবী অহনবী, চাউয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুল, থৌবাল, লৈখিদ্রবা কন্সটেবল লুনখোহাও, মহাক্কী মচানুপা লুনখোগিন, সাইতোন গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল, চুড়াচান্দপুর অমসুং লৈখিদ্রবা কন্সটেবল এস খাম জাগৌ মহাক্কী লোয়নবী মোইনু, গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল সিংহাট, চুড়াচান্দপুরনি।

৫৪-বট্টালিয়ন বি এস এফনা স্কুল ওথোরিটিশিংনা মার্টিয়র্স দে থৌরম মখোয় মখোয়গী স্কুলদা পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীখিবা অমসুং স্কুলশিং অদুগী মখল মখা কয়াগী ষ্টাব্লিসমেন্টশিংবু লৈখিদ্রবা মার্টিয়সশিং অদুবু ঈকায়খুম্নবা উৎতুনা মমিং থোনবগী অয়াবা পীবীখিবগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়না ৫৪-বট্টালিয়ন বি এস এফকী এদজুটেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# এম এস পি এগী ৫৫ শুবা মীফম পাঙথোকপা হৌখ্রে

সিলচর, ওক্টোবর ২১ : মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসামগী নুমীৎ হুম্নী চুপ্না চৎথগদবা ৫৫ শুবা চহীগী মীফম ঙসিদগী হৌনা কছারগী লখিপুরদা লৈবা সাউথ বরাক রুরেল দিভলপমেন্ট কমপ্লেক্সকী লম্পাক্তা পাঙথোকপা হৌখ্রে।

ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরমদা পরিষদ অসিগী প্রসিদেন্ট থিঙোম বেনুবাবুনা লূপকী ফিরাল চিংখৎপা, লূপ অসিগী লৈখিদ্রবা লুচিংবশিংগী অয়েকপা শক্তমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা মীয়ামগী ওইবা য়াইফ-খোঙচৎ অমসু থৌরম পাঙথোকফমদগী এম এস পি এগী রিসিপসন কম্মিটিগী চ্যেরমেন ইঙুদম বিনোদকী লমজিং মখাদা পেনা চৈজিংবা, হুইয়েন খৌশারোল, অমাইবীনা নাহৈরোল তম্বনচিংবা থৌরম কয়াগা ঈরোয়ননা লমথাখি।

তুংদা বিনাকান্দি লমজংদা খীল্লিবা নীংতম লান্মী শাগপ্পম গৌরোগী মিতমদা থাঙহাইরোলগী ঈকায়খুম্নবগা লোয়ননা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি।

নুংথিলগী ওইবা থৌরমদা এম এস পি এগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম শুরজকুমার শর্ম্মনা চ্যের লৌদুনা দেলিগেট সেসন অমা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা আসামগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা মীহুৎশিং, মণিপুর, ত্রিপুরা অমসুং বাংলাদেশতগী লাকপা দেলিগেটশিং য়াওনা চাউরাক্লা মীওই ৫০০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি হায়রি।

# ফ্রী হেল্‌ঠ কেম্প

থৌবাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস):

নেসনল হেল্‌ঠ মিসনগী মখাদা কম্যুনিটি হেল্‌ঠ সেন্টর, হৈরোক্লা আশা অমদি আশা ফেসিলি-টেটরশিংগা খুৎশম্নদুনা রিপ্রদক্তিভ এন্দ চাইল্ড হেল্‌ঠ (আর সী ঐচ) অমসুং রুটিন ইম্যুনাইজেসন আউটরিটচ কেম্প অমা ঙসি কাইরেনবীখোক ময়ায় লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। সী ঐচ সী হৈরোক্কী এম ও ইন চার্জ ডা. নোকুলনা লুচিংবা ডোক্তর মরিনা মীরোনবী নুপীশিং অমদি অঙাং চেনবী মমা অমসুং অঙাংশিংবু লায়েংখি।

# চভান কুমহরিন

চান্দেল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস):

৪১-চান্দেল এ সীগী মমাঙগী এম এল এ, এস টি ভিক্টর নুংলুংনা থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী অনাল কম্যুনিটিগী চভান কুমহরিন থৌরমগী মাঙওইননা মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি। নুমীৎ অসিনা লাকপদা তাইবং শেম্বা মপুনা নাদ-য়েক্তবা, ঈং-তপ্পা অমসুং নুংঙাইবা পুন্সিরোলগা লোয়ননা মহৈ-মরোং ৱাত্তা-পাদনা লোকপা ঙমহনবীনবা থৌনিজরি হায়না ফোর্মর এম এল এ অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# বালিকা বিদ্যালয় বিল্ডিং থা অসিগী মনুংদা শঙ্গাবীয়ু : শ্যামকুমার

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না অন্দ্রো এ সীদা শাবা লোইরবা কষ্টুরবা গান্ধী বালিকা বিদ্যালয় বিল্ডিং থা অসিগী মনুংদা শঙ্গাবীয়ু হায়না এম এল এ শ্যামকুমারনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

এম এল এ শ্যামকুমারগী ক্বার্টরদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা হায়খি, অন্দ্রো এ সীগী মনুংদা কষ্টুরবা গান্ধী বালিকা বিদ্যালয় বিল্ডিং শাবা লোইদুনা লৈরে। পোইরৌ খোংজিন হায় স্কুল, অজাদ হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি মোইরাংপুরেল হায় স্কুলগী বিল্ডিংশিংসু শাবা লোইরে। শাবা লোইরবা স্কুলগী বিল্ডিংশিং অসি থা অসিগী মনুংদা শঙ্গাবীয়ু। স্কুলশিং অসি শঙ্গারবদি হোষ্টেলনচিংবা অসিদা মহৈরোয়শিং লৈবা য়ারগনি।

সেদ্যুল কাষ্টকী ওইনা ইয়ার মার্ক তৌদুনা বজেটতা হাপ্লবা শেনফমশিং কায়থোকপীদুনা মীয়ামদা খুদোংচাবা ফংহনবীয়ু। সেদ্যুল কাষ্টকীদমক কায়থোক্লবা শেনফমশিং অসি থবক ওইনা পায়খৎপা য়ানবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অথুবদা হোৎনবীয়ু।

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা অন্দ্রোনচিংবা এ সীগী ওইনা জুলাই থাগী চেঙ ফংদবগী খুদোংচাদবা লৈরি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদসু মীৎয়েং চঙদুনা মীয়ামদা ফংফম থোকপশিং ফংহল্লু। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসলশিংনা মথৌ নীংথিনা তৌদুনা ফংফম থোকপশিং অসি ফংহনফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

মসিগী মমাঙদা এম এল এ শ্যামকুমারনা থাংমৈবন্দ এ সীগী মনুং চন্না লৈবা কংজাবী লৈরক্কী ফীভম য়েংখি। মদুদা এম এল এ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ইম্ফাল ময়োলমক্তদা লৈরিবা কংজাবী লৈরক্কী ফীভম অসি অসুক্কী মতিক ফৎত্রে। মসিনা মীয়ামগী চখোক চৎশিন্দসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। ইম্ফাল ময়োলমক্তদা লৈরিবা অসিগুম্বা লম্বী অসি ফীভম শোক্লা লৈরিবসি ঈকায়নিংঙাইহনি।

অন্দ্রো এ সীগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লম্বীশিং শেম্বগী থবক পায়খৎলক্লি। মখা তানসু লম্বী কয়া শেম্নবা থৌরাং তৌরি। অন্দ্রো এ সীগী মনুংদা লৈবা মরুওইবা লম্বী অয়াম্বা চহীসিগী দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদদি কোয়লাস থাবা লোইরগনি হায়না থাজবা থল্লি। মীয়ামগী চখোক-চৎশিন্দা য়াম্না মরুওইরিবা লম্বী-থোংগী ফীভম ফগৎহনবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। মসিগীদমক অখন্নবা মীৎয়েং কয়া চঙদুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# পুলিস কম্মেমোরেসন দে ২০১৬ পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস):

১০৯-বট্টালিয়ন সী আর পি এফ মোংশাঙ্গৈনা শীন্দুনা লৈবাক অসিগী অপূনবা অমসুং অমত্তা ওইবগী শক্তম ঙাক্লুবা হোৎনবদা মথ্বায় কৎখ্রবা সী আর পি এফকী অথোইবা সোলজরশিং অদুনা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী কথোকপা অদুবু নীংশিংবা অমসুং ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা ঙসি পুলিস কম্মেমোরেসন দে হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং য়ুরেকা হায় স্কুল, খোংজোমদা পাঙথোকখ্রে।

চহী খুদিংগী ওক্টোবর ২১ অসিবু পুলিস কম্মেমোরেসন দে হায়না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হৌখিবা কুমজা ১৯৫৯ গী ওক্টোবর ২১ দা হোটস স্প্রিং, লদাখ অমসুং জে এন কেদা চাইনিজশিংনা ইন্দিয়াগী লম লৌশিন্নবা লান্দারকপা মতমদা সী আর পি এফকী থৌনা ফরবা লান্মী ১০ না খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা থৱায় কৎখিবা অদুবু নীংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

ইম্ফালগী মোংশাঙ্গৈদা লৈবা য়ুনিট হেদক্বার্টরসদা মপুং ওইবা থৌরম পাঙথোক্লবা মতুংদা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং য়ুরেকা হায় স্কুল, খোংজোমদা তম্লম্বা লৈখিদ্রবা কন্সটেবল দ্রাইভর এল কোরাঙৌবী সিংহ অমসুং লৈখিদ্রবা কন্সটেবল জি দি সাপম সঞ্জিৎনা মরৈবাক্কীদমক্তা সী আর পি এফতা থবক তৌরিঙৈদা মপুন্সি কৎখিবা অদুবু নীংশিংদুনা মখোয় মখোয়না তম্লকপা স্কুল অনী অসিদা থৌরম পাঙথোকখিবনি।

লৈখিদ্রবা কন্সটেবল জি দি সাপম সঞ্জিৎনা হৌখিবা কুমজা ২০০৪ গী ফেব্রুৱারী ১৭ তা মণিপুরগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা ইন্সর্জেন্সীগা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক্তগা লৈখিদে। মহাক্কী অপোকপা, অপোকপী অমসুং মচিল-মনাও অহুম লৈহৌরি। লৈখিদ্রবা কন্সটেবল দ্রাইভর এল কোরোঙৌবী হৈরোক ভিলেজদা লৈরম্বনা হৌখিবা কুমজা ২০০৮ কী সেপ্টেম্বর ২৯ গী ছটিসঘরগী দান্টেৱারাদা মাওইষ্টশিংগা খুৎ থোক্নবদা লৈখিদবনি। মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচা অনী লৈহৌরি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা মার্টিয়র্সশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং, কম্মান্দিং ওফিসর এন রনবির সিংহ, দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট এস দেসিংঙু অমসুং এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট রাজেস কুমার অমদি ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী মখল মখাগী রেঙ্ককী পার্সনেলশিং লোয়ননা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল এম রাজমোহোন, য়ুরেকা হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর টি ঐচ কুঞ্জেশ্বর, ভিলেজ প্রধানশিং অমসুং খুলগী অহলশিং অমদি স্কুল অসিগী মশীং য়াম্লবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা তীনখিবা মীয়াম্না লৈখিদ্রবা থৌনা ফবা মার্টিয়র্সশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি হায়রি।



HL-B/3413/22 to 8 Nov.